# ঙসি ফাওবা নুপা অমদি নুপী অনীগী খেন্নবা থন্বীরি

**দিলিপকুমার খুমন্থেম**

**থায়নগী** মতমগী ৱারী কয়া তারুবা মতমদা নুপীবু অসুক্কী মতিক হন্থনা থল্লম্মী হায়বসি খঙবা ঙম্মী। থায়নদগী খক্তা নত্তনা হৌজিক্কী মতম অসিফাওবসু অদুমক মফম অমা নৎত্রগা অমদা নুপীবু অদুমক নমশিন্দুনা থন্বীরি। মসিগী মথক্তা অনেম অৱাং হায়বা ৱাংলবা পল অমা ঐখোয় মীওইবনা লৈহল্লম্বা অসিনসু হেন্না অৱাবা অমসু ওইহল্লি। মৈহৌরোলগী মতমদসু অদু মঙাই ইশাগী ইজাতিগী শেংলবা লাইনীং লাইশোন কয়া অমা হুন্দোক্তুনা ইরোন ইয়েক মান্নদবা মীরমগী চৎনবীদা হেন্না লুপশিনখিবনসু নুপীশিংবু হেন্না অৱাবা মশীং খঙদনা মায়োক্নরি।

মতাং অসিদা সটি মৈ থাবগী ৱারী অদু নীংশিংলক্লি। মসিদসু হায়বদি সটি মৈ থাবা অসিদা শিনীংদবা নুপী কয়া অমা মৈনুংদা ইনশিন্দুনা হাৎতোকপীখিবা অসিগুম্বা নুপীবু করিসু লৈতনা খনবীখিবগী ৱারী কয়া অমা তাবা অসিদগী হেন্দোক্তুনা হায়বদি মতমদুগী ৱারীদি মীগা উহৌবা নত্তে, ইপা ইপুশিংগী ৱারীদগী তাজবনি। অদুবু হৌজিক্কী মতম অসিদনা ইমিৎনা ময়েক শেংনা উরে। নুপীবু মতৌ করম্না থল্লি, করম্বা মীৎয়েংগী মখাদা নমশিন্দুনা থন্বীরি হায়বা।

কনাগুম্বা মীওই খরনদি হায়নৈ হৌজিক্কী মতমদদি নুপীশিংবু হন্থনা য়েংবীবগী চাং হন্থরে অদুনা নুপীশিংগী মতিক চারবা শক্তি কয়া লৈরে। অদুবু মসি ফনা ওইদুনসু নাকল অমদদি অদুমক নমশিন্দুনা থন্বীরি। তশেংনা হায়রবদা করিগুম্বা অঙাং উনবা মতমদা মমা ওইগদৌরিবী অদুনা ফাওবা নুপা হান্না পোকপা পাম্মী। অঙাং উনগদৌরিবী মমা অয়াম্বনা নুপী পোকপদগী নুপা পোকপনা হেন্না হরাউজে। য়াম্না নুংঙাইতবা ৱারী হায়রগদি নুপী পোকপগীদি করিসু থৌশানদবা অমদি নুপা পোক্লবগীদমক্তনি হায়রগদি মমা ওইবী কয়ানা লাই-তীন ফজনা খুরুমজদুনা হোৎনবীবা অসিসু অঙকপা অমনি। মসিদা য়াম্না ঙকপা হায়রগদি মমা ওইবী কয়ানসু করিগীদমক মচানুপীদগী মচা নুপানা হেন্না পাম্লিবনো? অদুবু মতমগী অওনবনা হৌজিকসু হেন্না হেন্না নুপী কয়াগী পুন্সিবু তাইওন্নবা সংসার কয়াদা তাউহন্দুনা মখোয়গী পুন্সিবু লমখাংদা অদুমক মাঙহল্লি। নুপা কয়ানা মোইথেম তৌদুনা নুপী কয়াগী পুন্সিবু লৈখা তানা মাঙহল্লি।



মসিদসু নত্তনা ময়ূম পানমিন্নদুনা লৈমিন্নরবফাওবা মপুরোইবা অদুনা মাগী নুপী খঙহন্দনা লোন্না পাখঙ শারগা নুপী কোয়রকপা, করিগুম্বা মাগী নুপী অদুনা খঙলকপা মতমদা অসিগুম্বা থবক তৌদনবগীদমক হায়জবা মতমদা নুপানা মরম চাদনা শাওরগা নুপীবু থিনা ফুবিবা অসিগুম্বা নুপীবু হন্থনা খনবীবগী থৌদোক কয়া অমসু ঙসি ঙসিমক থোক্লি।


চমজরবী নুপী কয়াগী পুন্সিবু লেপ্পা লৈতনা হাৎতোকপীরি, তুহৎপীরি। নুপীবু শান্নপোৎকী মওংদা নুপা কয়ানা শান্নবিরি। লেপ্পা লৈতনা মখল মখা কয়াদা নুপীবু ওৎপীরি, নৈবীরি। মতাং অসিদা ৱাহৈ খরা খক্তগা মখা তানা অমুক হায়জরবদা অকোয়বগী ফীভম য়েংবা মতমদসু নুপা কয়ানা মখোয়না কোয়বা য়াবা কোয়রুরগা ময়ূমদা থেংনা হঞ্জিল্লকপা মতমদদি করিসু হায়নদে অদুগা নুপীনা থেংনা হঞ্জিল্লকপা তারগনা শেরান্নবা ৱাখলনা লমজিংদুনা থিনা ঙাঙবী অমদি পাখঙ, লৈশাবী অনী কোয়বা চৎপা মতমদা করিগুম্বা খুদোংথিবা অমদগী থেংখিবা তারবদি ময়ূমদা হঞ্জিনবা কিবদগী ইরাল লাঞ্জদনা অদুমক ময়ূম পানখিবা তাখি। মরম কয়া অসিদগী ময়ূম পানীংদ্রিবী নুপী কয়া ময়ূম পালহল্লে।

করিগুম্বা নুপানা পামদবা নুপী ওইরগনা মরী লৈনরবা মতুংদা হাৎতোকপীবগী থৌদোক কয়া অমসু লেপ্পা লৈতনা থোক্লি। তশেংনা হায়রগদি খোঙথাং খুদিং, মফম মতম খুদিংনা ফাওবা নুপীশিংবু য়েংশিল্লি। মতম অসিদা নুপীশিংনা হিংগদবসি য়াম্না লুরে। নুপী কয়াগী পুন্সিবু মাঙহল্লিবা মীশিং অসি তশেংনা নুপীগী শক্তিবু শিংনবগা চপ মান্নে। ঙসিগী মীরোল খুদিংনা ৱাখল তামিন্নদুনা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীবগী মথৌ য়াম্না তারে। খুন্নাই অমা চাওখৎপা অমদি অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগীদমক নুপীশিংনসু চাউরবা থৌদাং কয়া লৌরিবনি। মরম অসিনা ঐখোয় মশেল নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরসি। নুপীবু হন্থনা য়েংবীবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লসি।

# চৎনবী

**এম থম্বৌ**

**মীওইবগী** চৎনবীনা খুন্নাই অমবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলি অমদি চৎনবীনা খুন্নাইবু লৈখা তানা চিংথদবসু নত্তে। অসিগুম্বা চৎনবী অসি ঐখোয়না মখল অনীদা নৈনবা য়াই। মসিগী মনুংদা ফৎতবা অমদি লমদম অসিবু মাঙনবা চৎনবী কয়া খুদম খরা পল্লবদা দ্রগ ললোনবা কয়ানা মখোয়গী মশাগীতা য়েংদুনা অচৌবা শেন্দান লম্বী ওইরকপগী চৎনবী, মদুনা লমদমসিদা তুংগী নহারোল কয়া ময়াই কাবা চিঙাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লবা, নৌনা পুন্সি লোমখিবা অসিগুম্বা চৎনবী, গাড়ী হুরানবগী চৎনবী, লোইশঙ খুদিং পৈশা পীদ্রবদি ফাইল মচি লেংদবগী চৎনবী, লন্নাই লায়েংশঙদা লায়েংদ্রবদি ডাক্তরগী চেকশিনবা ৱাৎপগী চৎনবী, লৈবাক নীংবা কয়ানা মীয়ামগী হক মাঙহনবগী চৎনবী, শেন্দোংগীদমক চানবা মনা-মশিংদা হীদাক কয়া চাইশিনবগী চৎনবী, করিসু লৈতবা অমগীসু বন্দ অমদি ষ্ট্রাইক তৌবগী চৎনবী, অৱা অনা কয়া খাংদুনা হিংনবগী লাম্থেংনরিবা মীয়ামগী থৌগল তৌজরিবা দ্রাইভরশিংবু ফারগা শেল তানবগী চৎনবী, এদেদ স্কুল অমদি লৈঙাক্কী স্কুল মুখৎনবা হোৎনরগা লনাই স্কুলদা শেল চঙনা হোৎচিন্নবগী চৎনবী, পরিক্ষাগী ৱাহং শেম্বদা ফেসবুক্তা থাগৎলকপগী চৎনবী, চে য়েংবদা কাঙলোন কায়বগী চৎনবী, মথৌদি খঙদনা হক্তমক তানবগী চৎনবী, মহৈরোয় কয়ানা মহৈ তম্বা তোক্তুনা লৈবাক ঙাক্লোন য়াওরকপগী চৎনবী, মোবাইল হায়বা অঙকপা ফংনা কান্নখ্রবা টেক্নোলোজি অসিবু অরানবা মওংদা শীজিন্নদুনা নুপী অঙাং কয়া মাঙথরকপগী চৎনবী, নুপীমচা অমদি মৌ নহা কয়া থায়নগী ইপা ইপুগী চিঙাক হুন্দোক্তুনা নত্তবা ঙাক্তা চান্নরকপা, নোংচুপলোমগী ফিজেৎ চাকচাদা হেন্না ফবনি খনবগী চৎনবী, নুপীগী হকচাং কয়াৎকী মওং মতৌ অমদি মদুগী মমি উরগা মদু নুপীগী মশাদা য়াওজবা থাদোকপা য়াররোইদবা তোপ তোপ্পা গুণনি খনবা ঙমদবগী চৎনবী, অচৌবনা মচাবু হন্থবা থাক্তা থম্বগী চৎনবী, নুপীগী মগুণদগী অউনপোৎকী গুণনা হেনবগী চৎনবী, নিঙোল চাক্কৌবদা দক্ষিনা হিদান্নবগী চৎনবী, থিকাদার কয়ানা নত্তবা পাম্বৈনা তানবা পৈশা ময়াম পৈশিল্লগা ভোট লেপ্তুনা মীবু মমল পীদুনা লৈবগী চৎনবী, মীখলবু অচৌবা হরাউ কুম্মৈ অমগুম অৈখোয়না লৌনরকপগী




চৎনবী, অমগা অমগা শেৎ শেৎতুনা চানবগী চৎনবী, চহী হায়বা থিদনা অমদি দরকার হায়বা য়েংদনা চহী শুদ্রিবা অঙাং য়াওনা গাড়ী মচা অচৌবা পংথৌ থৌবগী চৎনবী, নুপীবু লাইফদিবী




ওইনা লৌবগী চৎনবী পূম্নমক অসিনা লমদম অমবু লৈখা তানা মাঙনবগী লম্বীনি।

ঐখোয় মীওইবসি মখোঙ অনী পানবা জীব মখল অমনি। মসিগী মথক্তা মীওইবদি অতৈ জীবদগী ৱাখল লুথনা খনবা ঙম্বগী অমদি লৌশিংগী মঙাল নিংথিনা তাইবঙ খোঙদারকপদা লোইনরকই। অদুগুম্বা অশিংবা মীওইপোক্না শাগী লমচৎ শাজৎতা চুশিনবা অমদি মদুবু চৎনবী ওইনা শীজিন্নরকপা মতমদদি খ্বাইদগী হেন্না তমথিবা শক্তম অমা লাকই। অদুনা মীনা শা ওল্লবদি শাদগী হেন্না তমথিবা হেল্লি হায়না থায়নগী অহলশিংনা প্রমান তৌনৈ।

চৎনবী পূম্নমক অসি মহাও তংদুনা খোঙনা খূৎনা থেংনরকপা কয়ানি খন্না মদুবু ফত্তে লাল্লি খঙলকপা মীকুপ্তা মদুগী ওন্না তৈনবদা থবক থৌরম কয়া খুদম ওইনা পল্লবদা অচুম্বা অমদি অফবা, থৌনা লৈবা, অখাং কনবা লমদম অমগী অমদি হৌগৎলক্লিবা নহা কয়াগী মাঙননবা থবক অমত্তা তৌনদবা অসিগুম্বা চৎনবী অমা থম্বা য়াম্না মথৌ তাই।

মালেম শেম্বদা নুপীখক্তনা শেম্বা ওইথোক্তে। নুপী হায়বা নুপাগী হকচাং তঙ্খাই ওইরিবা অসিগী থৌদাং য়াম্না চাউই। জীব খুদিং মালেমদা পোকপনি, মহাক্কী তম্পাক্তা চাউবনি, অরোইবা মতমদসু মহাক্কী তম্পাক্তা য়াতাবা অসিনা মালেম পৃথিবী অসিবু পলেম ইমা হায়না মিংথোন্নে। ঐখোয়না মীরোল কয়াগী পুন্সি মহিংগী মরমদা অখঙ অহৈ কয়ানা নৈনরকপদা নুপীগী ফীদম্বু মখোয়না তরাইনা খক লৌনরমদে। নুপী ওইবীদি ফিদমনি, ফজবা কয়াগী লৈতেংনি, ধর্ম্মনি, মহৌশাগী কল্পনানি, মপুরোইবগী মনাক্তা লেপ্তুনা অৱা নুংঙাই শরুক য়ারিবীনি।

নর্দা মুনিনা হায়, ধৈন্যা কলি, ধৈন্যা নারি হায়না লাউখি। স্বামী শিবানন্দজিনা হায়বিরম্মী, মালেম পূম্বগী শোজৈ নুপীনা পায়। নুপী হায়বসি মহৌশাগী হৈশিংলবা মাঙবা য়াদবা খুদোলনি। জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধীনা নুপীদা ইমা কৌখি। অদুনা নুপীবু ৱাখল তানা লোইনরবদি লায়রবা কোক্কনি, শান্তি ফংগনি, পুন্সি শাংগনি।

নুপীদি য়ূমগী লননি । মখোয়বু লাইধি ওইনা লৌবগী চৎনবী কৈদৌঙৈদা অচুম্বা ওইরোহৈ। অসিগুম্বা ময়াম অসি লৈবনা মালেম শেম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ঙসিগী নুপীগী চৎনবী ঐখোয়না চেকশিন্দবা য়াদে। মমা ওইবীগী থৌদাং লৌরিবা নুপী অমগী থৌদাং থাদুনা লোইবা নাইরোই।

নুপানা মমা ওইবীগী পূক্নুংদা হৈরু অদুতং লৈকোনগী মতৌগুল্লবা মফমদুদা থন্বীরম্বা খক্তনি। অদুগা থা ১০ পূক্নুংদা থল্লগা মী ওইহনবিবা য়াম্না ৱানা মপানগী তাইবঙ ফাওহনবা অমদি চাউ শাংনবা য়োকপী থাকপীবা, লৌশিং হাপ্পীবা, চৎন-লোনচৎ, থকসি-খাসি কয়া তকাপীরিবা মমা অদু স্কুল ওজা ১০০/১০০গা ভেল্যু মান্নে।

অদুগুম্বা মমানা পূম্নমক তম্বীবনি, অঙাংনা পোল্লকপদা হৈরকপসি হংঙা হায়বসিনি। অঙাংনা মীৎ উরকপা মতম মমাগী তম্পাক্তা মোমোন নোকপা, মখোঙ মখূৎ লেং ওৎপা পূম্নমক মমাগী মওং য়েংলুরগা ইঙ্গিৎনা ওইরকপা পোৎনি। অঙাংদি পোকত্রিঙৈদগী মমানা শেল্লকপনি হায়বসি ককপা য়ারোই। মরমশিং অসিনা মমানা ধুর্বতারাগী শক্লোন লৌদুনা মায়কৈ খঙদনা চাউখৎলক্লিবা অঙাংবু লমচৎ শাজৎকী ত্রেনিং পীদুনা হিমাই চুমদুনা মায়কৈ তাক্লিবনি। অসিগুম্বা পূম্নমক অসিদা মচা ওইবা খুদিংনা মমা ওইবা অমদি মপা ওইবা কয়াবু ইকায় খুম্নবনা অফবা ওইনবগী লম্বী য়াৎলিবনি। ঙসিগী নহা কয়া নুপী-নুপা খাক্তনা অহল-লমন, ওজা গুরু কয়াবু লুনা নুংশিনা খনবীবা, মখোয়না হায়বা ইনবগী চৎনবীনা অফবা মগুণ লৈবা লমদম অমা ওইগনি।

ঙসিগী নুপা ওইবা কয়াসু নুপীবু মাগী মীৎয়েংখাদা অকনবা শম্বল অমা ওইবীগদবনি। নুপীনা ময়ূম পান্দ্রিঙৈদা মমা মপানা শম্বল ওই। ময়ূম পাল্লবদা মপুরোইবনা শম্বল ওই। অহল ওইরক্লবদা মচানা শম্বল ওই অদুনা মচাগা মমা মপাগী মরী অসি চেৎহন্দবা য়াদে। মমা মপাবু মীরাইবা নুংশিদবা, তৌবীমল উৎতবা মচাদি মশীং য়াম্মী। অদুগা মচাবু নুংশিদবা মমা মপা মালেমদা য়াওদে। মসিসু চৎনবীনি। মসিদা মচা মশু ওইবা কয়ানসু মপা মমা, অহল-লমনবু নুংশিবগী চৎনবীসু লৈহনবা অফবা ওইগনি। ঙসিগী নহাশিংনা অপোকপী মমাবু তীর্থ পূম্নমক্কী মশক্লি খনগনি। মপাবুনা মপু ইবুংঙোমক্লি লৌগনি। মরম অসিনা কন্না হোৎনদুনা মখোয়বু পুজা তৌদুনা পূক্নিং পেলহনবনা মহাক্কী পুন্সিদা লৈখা তারোই অমদি মীখা পোন্না হিংবা তৌরোই।

ৱাহ্মামক্না মীহৌবা মীওইপোক্কী অশেংবা মহাও ফংবা ঙমগনি। মসি মতম অমগী চৎনবী ওইরম্মী। রামচন্দ্রনা চহী ১৪ বোন্দা চৎপা, সার্বন কুমারনা মমা মপাবু পোলাংদা হাপ্তুনা লেংবান্দা পুদুনা তির্থ কয়া চৎতুনা মমা মপাগী নীংবা থুংহনখি। অসুম্না ভিস্মানা মপাগী ৱাশক ঙাক্লবা মপুন্সিগী য়ূম্বাল লম্বীদা খোঙদাখিদে। অদুদি ঙসিগী চৎনবীনা ওইহল্লকপা অসি মথক্কী চৎনবী পূম্নমক অসি লোইনা লৌদ্রবসু শরুক অহুম থোকপগী অমতংদি লৌদুনা চৎনবদা তাইবঙদা কান্নবা অঙকপা ফংনা ফংগনি। অদুনা ঐখোয়না লৈবাক মাঙনবা চৎনবী থাদোকপা, লৈবাক শান্তি লৈনবা চৎনবী লৈহনবা য়াম্না কান্নবা ওইগনি।



# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## মোর্নিং টি

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর*

**দিসেম্বর ২৪,** নোংমাইজিং নুমিৎতা ফেসবুক গ্রুপ মোর্নিং টিগী অনীশুবা শকখঙ মায়খঙনবগী থৌরম য়ুরেম্বমগী ফজরবা 'রোজ গার্দেন' দা পাঙথোকখি। নুমিৎ কয়ানি ৱাৎলিঙৈদগী ঙাইজরকপা নুমিৎ, ঙাইনা ঙাইনা য়ৌশিল্লকখি। অয়ূক ঙন্তা হৌগৎলগা ইমুংগী থবক ইনখাং, চাক-ঈশিং লোইশিল্লে। পুং ১০দা ময়াম পূনগদবনি হায়বদুদা পুং ৯.৩০ তাবদা ঐনা চৎসি হায়রিমখৈ মাই হায়দ্রবী ঐগী তালোই কারদো থৌদোক্লে। ঐগা য়াম্না নক্লনা লোয়নজবী ইম্ফাল অর্বান কো-ওপরেটিভ বেঙ্ককী জেনরেল মেনেজর ইচেমো বিনোমলানা শঙাকফমদা ঙাইদুনা লৈরম্মী। ইনাওনুপী নিরোবলাগা মচানুপী নম্রতাগা অমুক খুয়াথোংদগী লৌরগা চৎলে। ঐনা খরা তপ্না থৌবনে, পুং ১০.৩০ তারমদাইদা য়ৌরে রোজ গার্দেন। লুৱাং লৈমা, কিরনবালা, উত্তম, নন্দা মৈতৈ, মাগী লোইনবীগা মচা চপ মান্নবা অনী ফায়বোকনি হায়, হান্না লৈরম্লে। ঙাইহাক্তং লৈরগা মথং মথং লাক্লে। ঐনা মমাঙদা চৎখিবগদি য়াম্না খেন্নরম্লে। ইহোং হোংলম্লে রোজ গার্দেনদু, য়াম্না শেমগৎলম্লে। হোল অচৌবা অমা য়াম্না নান্না লৈরম্মী।

ঐখোয় অরাকপমখৈ ব্রেকফাষ্ট লৌরসি হায়দুনা হৌরে। হোরেন্দি ফরক তানি হায়দুনা প্রমোদাগা কিরনবলাগা ঐখোয় অসুম গার্দেন্দুদা ফজ-ফজবা মফম খল্লগা ফোটো খরা নল্লে। পুং ১২ খজিক্তং হেনবদা ঐনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরবা মতুং সেল্ফ ইন্ত্রদক্সন তৌবা হৌরে। অয়াম্বনা হান্না খঙনরবা ঙাক্তনি। মমাঙগী কৈরাওগী 'মাসি' দা পাঙথোকখিবা অহানবা শকখঙ মায়খঙনবদা অয়াম্বা উনখ্রে, হান্না খঙনদ্রিবা খরদি য়াওরি। মদুগী তুংদা ঐখোয়না তৌগদবা থৌরমশিংদু চাক চাথোক্লগা তৌবনা ফরে হায়দুনা চাক হান্না চাথোক্লে। এঞ্জাং মথেল ফনা য়াম্মী। চিকন চাবখৈ চাজরে, ঙা অমসুং অতৈ অতৈ ময়াম অমা চারে। শঙ্গোম সনা থোংবসু য়াওই। শিংজু, চমফুৎ, ঙা অতাওবা থোংবা, অতোইবা থোংবা, অঙৌবা, হৱাই, হৈ, লোইরকপদা ফ্রুট সলাদসু পুথোরকই। ফজনা চাশিল্লে, ঙাইহাক পোথারগা থৌরম হৌনবা তৌরসি হায়দুনা হৌরে।

মোইরাংদগী উত্তমনা এঙ্কর ওইরে। থৌরম হৌবদা ঐবু ইহান হান্না কৌথোরক্লে। ঐনা ঈশৈ অমা শক্লে, কৈশাম জামিনিকান্তগী 'তনিক্লে থম্মোয় ঙসিগী অহিংসে'; শৈরেং অনীসু থিরে। মথং মথং মাগী মাগী হৈজবা লাম্থোক্লুরে। ইথা থাজদনা ওজা নরেন্দ্রজিৎ কোন্সম ঈশৈ ফজনা শল্লকখি। চীংথাম রমেসনা হিন্দিগী ঈশৈ ফজবা অমা শক্লে। পুর্ণিগুরুময়ূমগা লোয়ননা ডাইলোগ নুংঙাইবা মতেক অমসু তৌরে। ইথা থাজদনা রাজনা শৈরেং ফজবা অমা থিরকখি। হৌজিক্কী মতমগা য়াম চান্নবা গনতন্ত্রগী। রনবির য়ূম্নাম অমদি রনবির ময়াংলম্বম ডাঙ্গোনা পূন্না ষ্টেজদা থোরক্তুনা ঈশৈ শকখিবদুসু অদুম নুংঙাইখি।

রম্থোনি রাজকুমারীনা ঈশৈ ফজবা অমা অমুক শক্লে। কিরনবলানা মণিপুরীনা ফাগী মতেক অমা তৌখিবদুসু অদুম নুংঙাইখি। ইরোম মনিগুন্নসু ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা দ্রামা য়াওখিবগী ডাইলোগ মতেক অমা তৌখিবদুসু নুংঙাইখি। ইচেমা বিনোমলাসু শৈরেং অমা পাথোকখি। থৌরম অদু ডাক্তর সোকেন্না থাগৎ ৱাহৈ পীরগা লোইশিনখি। ফজরবা লৈরাং লৈখন শুনা হৌরবা লৈকোলদুদা ফোটো খরা নল্লগা অদুম থোরক্লে।

*অদোমগী - ডা. নির্মলা রাজকুমারী*